টোকিও ওলিম্পিক গেমস ২০২১

# টোকিও ওলিম্পিকক্স কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা অমুক্কা হন্না য়ৈথোক্লবদি প্লান ‘বি’ লৈতে : তকায়া




টোকিও, এপ্রিল ১৪ (এজেন্সী): কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মরম ওইদুনা চহীসিগী জুলাই ২৪দগী ওগষ্ট ৯ ফাওবা পাঙথোক্কনি তৌরম্বা টোকিও ওলিম্পিক গেমস চহী অমা য়ৈথোক্লগা কুমজা ২০২১গী জুলাই ২৩দগী ওগষ্ট ৮ ফাওবা পাঙথোক্লগনি হায়না লেপ্লরিবা অসি করিগুম্বা অমুক হন্না য়ৈথোকপা তারবদি প্লান ‘বি’ লৈতে, তোকপা তাবনি হায়না টোকিও ওলিম্পিক গেমস ওর্গনাইজিং কম্মিতিগী ৱাঙাংলোই মসাতকায়ানা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখ্রে।

টেলিকোনফরেন্সতা পাউমীশিংগা ৱারী শান্নবা অদুদা ইংলিসতা ঙাংদুনা মসাতকায়ানা ফোঙদোকখিবদা কুমজা ২০২১গী জুলাই ২৩দগী ওগষ্ট ৮ ফাওবা পাঙথোক্লগা পেরালিম্পিক্সনা ওগষ্ট ২৪দগী পাঙথোক্কনি হায়রিবা মতম অসি হৌখিবা থাদা ইন্টর্নেসনল ওলিম্পিক কম্মিতি অমসুং জপানগী ওফিসলশিংগা ৱারেপ্পরবা মতুংদা লাউথোকাখিবনি।

মালেম শীনবা থুংনা লেপ্পা লৈতনা মশিং হেনগৎলক্লিবা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ অসিনা মরম ওইরগা ওলিম্পিক গেমস অসি শুপ্পগী থা ১৫ য়ৈথোক্লগা পাঙথোকপা ওইথোক্কদ্রা হায়না পাউমীশিংনা হংখিবদা ওর্গনাইজরশিংগী মায়কৈদগী হৌজিক্কী ওইনা কুমজা ২০২১গী জুলাই ২৩দগী নৌহৌননা হৌগদৌরিবা ওলিম্পিক গেমস অসিদা মায় কন্না ওনশিল্লি। অদুবু করিগুম্বা হায়রিবা মতম অদুসু লায়না লাইচৎ অসি মপুং ফানা লাকশিনবা ঙমদ্রবদি ওলিম্পিক্স কম্মিতিগী মায়কৈদগী অতোপ্পা প্লান ‘বি’ (অনৌবা লম্বেল) লৈতে হায়না ফোঙদোকখি।

নীংশিংবা য়াবদি, ওলিম্পিক অমা পাঙথোকপা মতমদা লৈবাক ২০৬কী নেসনল ওলিম্পিক কম্মিতিশিংগী মায়কৈদগী য়ামদ্রবদা ওফিসল ষ্টাফ য়াওনা মীওই ১১,০০০ অমদি পেরালিম্পিক্সকীনা মীওই ৪,৪০০ রোম তিনগদৌরিবনি।

ইন্টর্নেসনল ওলিম্পিক কম্মিতিগী প্রসিদেন্ট থোমাস বেগকা ৱারী শান্নখিবা রিপোর্ট অমা জর্মনিগী পাউচে অমদা নোংমাইজিং নুমিৎতা ফোঙদোরকখিবদা জপাননা টোকিও ২০২০গী মতুংদা ২০২১দা পাঙথোক্কনবা শেম শাবা হৌরে। অদুবু জপানগী প্রাইম মিনিষ্টর সিনজো অবে অমদি ওর্গনাইজিং কম্মিতিগী মায়কৈদগী মথং চহীগী মতম অমা পীরিবা অসিগী মতুং তারকপদা জপাননা গেমস অসি য়ুম্বু ওইবা ঙমগনি হায়বগী থাজবা লৈতে হায়খি।

বেলারসিয়ন প্রেমিয়র লীগ ২০২০

# দাইনামো ব্রেষ্টনা ইস্লোক মিন্সকপু পাঞ্জল ৩-১দা মায়থীবা পীখ্রে, অতোপ্পা মেচ ২ দ্রো চৎখ্রে



ব্রেষ্ট, এপ্রিল ১৪ (এজেন্সী): কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ মনুংদা য়ুরোপ লৈবাক্তা ফুটবোল শান্নরিবা অমত্তা ঙাইরবা বেলারসিয়ন প্রেমিয়র লীগতা দাইনামো বেষ্টনা ইস্লোক মিন্সকপু পাঞ্জল ৩-১দা মায়থীবা পীখ্রে। এফ সী স্মোলিভিসি অমসুং সাক্টর সোলিগোর্সক পাঞ্জল চন্নদনা দ্রো চৎখ্রে। লোয়ননা এফ সী রু ব্রেষ্ট অমসুং স্লাভিয়া মোজিরসু পাঞ্জল চন্নদনা দ্রো চৎখ্রে।

ঙরাং অথেংবদা বেষ্ট সিটিদা লৈবা রিজনেল স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা য়ুম্বু দাইনামো ব্রেষ্টকা ইস্লোক মিন্সক্কা লীগ অসিগী মরিশুবা রাউন্দ লম্বা তৌনখি। পনবা য়াই, ৩শুবা রাউন্দ লোইখিবদা দাইনামো ব্রেষ্ট মেচ ১ মায় পাক্লগা মেচ অমমম মায়থীবা অমসুং দ্রো চৎখি। মদুনা মরম ওইরগা পোইন্ট ৪ ফংদুনা লাকখি। অমরোমদা, ইস্লোক মিন্সক মমাঙগী মেচ ৩দা অনী মায় পাক্লগা অমা মায়থীদুনা পোইন্ট ৬ ফংদুনা লাকখিবনি।

ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা মেচ অদু টিম অনীমক অমনা অমগী মায়কৈদা খুদুম চন্না শান্নবা ঙমখিদে। পুংখাই লানশিল্লবা ফাওবদা স্কোর বোর্দতা পাঞ্জল অমত্তা লৈখিদে। শান্নবগী ৩৯শুবা মিনটতা ইস্লোক মিন্সক্কী মায়কৈদগী পুখৎলকপা এটেক অমদা টিম অদুগী দিমিত্রি কোমারোবস্কিনা মেচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল অদু চনখি।

অহানবা হাফ অদু লোইগদবা মীৎকুপ খরদং ঙাইরবা মতমদা য়ুম্বু ক্লব ওইখিবা দাইনামো ব্রেষ্টকী মায়কৈদগী কিকি গাবিনা ইক্কেলাইজর অদু চল্লগা মিনট ৪৫গী অহানবা হাফ অদু পাঞ্জল ১-১দা লৈনখি।

অনীশুবা হাফকী পুংখাই অমরোম চঙশিল্লবা ফাওবদা মখা তানা টিম অনীমক অহেনবা পাঞ্জল হাপচিন্নবা ঙম্মদনা লৈখি। শান্নবগী ৭৭ শুবা মিনটতা দাইনামো ব্রেষ্টকী মায়কৈদগী পুখৎলকখিবা বোল অমা দেনিস লাপতেপনা টিমমেট অর্টেম মিলেপস্কিদা খাইদোরকপদা অশোই অঙাম য়াওদনা মিলেপস্কিনা টিম অদুগী অনীশুবা পাঞ্জল চনখি।

লেমহৌরিবা পুংখাই ফাদ্রবা মতম অদুদা ইস্লোক মিন্সক্কী মায়কৈদগী ইক্কেলাইজর ফংননবা অকনবা প্রেসর পীরকখ্রবসু দাইনামো ব্রেষ্টনা মখোয়গী দিফেন্স লানই অদু অহেনবা পাঙ্গল পীশিন্দুনা লৈখি। তাল্লক অদুদা য়ুম্বু ক্লব অদুগী মায়কৈদগী পাবেল সাবিটস্কিনা পাঞ্জল অমগা চন্দুনা ৩-১দা মেচ অদু থোইবা ঙমখি।

ঙরাং অঙনবদা শান্নখিবা এফ সী স্মোলিভিসি অমসুং সাক্টর সোলিগোর্সক পাঞ্জল চন্নদনা দ্রো চৎখি। অদুগা ঙসি শান্নখিবা মেচ অমদা এফ সী রু ব্রেষ্ট অমসুং স্লাভিয়া মোজিরসু পাঞ্জল চন্নদনা দ্রো চৎখি।

# ইন্টর্নেসনল ফুটবোল গেমশিং মথং চহী ফাওবা কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা শান্নবা য়ারোইদৌরি






মোনত্রিএল, এপ্রিল ১৪ (এজেন্সী): মালেমদা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মরম ওইদুনা মীওই ১৯,৪৭,৬৪০ নাহল্লবা মতুং মীওই ১,২১,৭৮৫ শীহনখ্রবা মতুং পুন্না মীওই ৪,৬০,১৬৩ কনবা ঙমখ্রে। ফিভম অসিদা ফুটবোলগী ওইনা ইন্টর্নেসনল মেচশিং কুমজা ২০২১ ফাওবদি শান্নবা য়াখিরোই হায়না ফিফাগী ভাইস প্রসিদেন্ট ওইরিবা ভিক্টর মোন্তাগলিয়ানিনা ফোঙদোকখ্রে।

লৈবাক অমগা অমগী মরক্তা চথোক চৎশিনদা অথিংবা লৈবা মরম্না ইন্টর্নেসনল মেচশিং শান্নবা য়াবগী মমি উদ্রি। অদুবু লৈবাক অমগী ক্লবশিংগী ওইবা কম্পিটিসনশিং অথুবা মতমদা খুদোংচাবা ফংলগদি মখা তাবা লীগ টুর্নামেন্টশিং চথনবা শেম শারি হায়না নোর্থ অমেরিকা, সেন্ত্রেল অমেরিকা অমসুং কেরিবিয়ন (কোনকাকেফ)কী গভর্ণিং বোদিগী প্রসিদেন্ট ওইরিবা কানাদা মচা ফিফাগী ভাইস প্রসিদেন্ট ভিক্টর মোন্তাগলিয়ানিনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

ভিক্টরনা ফিফাগী ওইনা হৌজিক লৈরিবা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মরম ওইদুনা মালেমদা খ্বাইদগী চাওবা মশান্না ওইরিবা ফুটবোল মমাঙ থাদগী শান্নবা লেপখিবা অদুগী মতুং তারকপদা লৌখৎপা য়াবা খোঙথাংশিং শেম শাননবা ৱার্কিং গ্রুপ অদুগী লুচিংলিবনি।

কোনকাকেফকী প্রসিদেন্ট ওইরিবা ভিক্টরনা মখা তারদুনা চহীসিগী সেপ্টেম্বর, ওক্টোবর অমসুং নবেম্বর থাদা নেসনল টিমশিংগী মেচশিং শান্নগনি হায়না তৌরম্বা অদু য়াররোই। পাউগী এজেন্সী অমগা ৱারী শান্নবদা দোমেষ্টিক ফুটবোলগী ওইনদি সেপ্টেম্বর থাদগী হৌবগী পান্দম থল্লি হায়খি।

# ওল জপান জুদো ফেদরেসনগী মীওই ১৬ কোভিদ-১৯ পোজিটিব ওইরে

টোকিও, এপ্রিল ১৪ (এজেন্সী): ওল জপান জুদো ফেদরেসনগী মীওই ৭ মখা তানা কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌবদা পোজিটিব ওইরকপদগী ফেদরেসন অসিদা ঙসি ফাওবদা পুন্না মীওই ১৬ পোজিটিব ওইখ্রে।

জপান জুদোগী গভর্ণিং বোদিনা ফোঙদোরকখিবদা কোভিদ-১৯না পোজিটিব ওইরবা ফেদরেসনগী মীওইশিং অদুগী মনুংদা নুপা ১২ অমসুং নুপী ৪ য়াওরি। মদুদা ফেদরেসন অসিগী মেনেজিং দিরেক্টর সোয়া নকাজাটোসু য়াওরি।

কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা ওর্গনাইজেসন অসিগী ষ্টাফ মেম্বর ৩৯ লৈবগী মনুংদা মীওই ১৬ টেষ্ট তৌবদা পোজিটিব ওইরকপনি। মরক অসিদা অতোপ্পা ষ্টাফ মেম্বর ২৪না লায়না লাইচৎ অসিগী লায়ওং উৎপা হৌরকখি হায়রি।


ওল জপান জুদো ফেদরেসনগী প্রসিদেন্টগী ফমসু পায়রিবা অদুগা জপানিস ওলিম্পিক কম্মিতিগী মকোকসু ওইরিবা য়াসু হিরো য়মাসিতানা ফোঙদোকখিবদা ফেদরেসন অসিগী মায়কৈদগী লায়চৎ অসি শন্দোকপা থিংনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপদা অৱাৎপা খরা লৈখ্রে হায়রি।

# আই লীগকী লেমহৌবা মেচশিং তোকপা য়ানা লৈরি, শগোলশেন নুমিৎতা খঙলগনি

ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ১৪ (এজেন্সী): ইন্দিয়া লৈঙাক্লা লোকদাউনগী মতম অসি মে ৩ ফাওবা শাংদোরকপদগী ইন্দিয়াগী ফুটবোল ক্লবশিংগী ওইবা অনীশুবা থাক্তা লৈবা হিরো আই লীগ মখা তানা শান্নদনা তোকপা য়ানা লৈরি। অরোইবা ৱারেপ অমা শগোলশেন নুমিৎতা খঙলগনি হায়রি।

পুন্না লীগ অসিগী মেচ ২৮ শান্নগদবা ৱাৎলিবনি। অদুবু কোলকতাগী মোহন বগানগী ফুটবোল ক্লবনা পোইন্ট টেবলদা খ্বাইদগী মকোক্তা লৈদুনা খ্বাইদগী নক্লবা ক্লবতগী পোইন্ট ১৬ হেন্দুনা ওফিসল ওইনা চেম্পিয়ন ওইরগনি। অদুগা ইষ্ট বেঙ্গল অমসুং মিনরভা পঞ্জাব মেচ ১৬তগী পোইন্ট ২৩/২৩ ফংনরি। অদুগা রিএল কাশ্মিরনা মেচ ১৫দগী পোইন্ট ২২ ফংবা মরম্না অনীশুবা অমদি অহুমশুবা পোজিসনগী শেলগী মনা অদু য়েন্থোক্লবগী ফিভমদা লৈরি। অদুগা খ্বাইদগী মমৈদা লৈবা রেলিগেট তৌরগদবা টিম অদু হন্দক্কী ফিভম অসিদা ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনগী মায়কৈদগী লৈহন্দনবা থৌরাং পায়খৎলকপা য়াই।

# লোকদাউন শাংদোকখিবা মরম্না হোক্কি ইন্দিয়ানা নেসনল চেম্পিয়নশিপ পুম্নমক মতম কক্তনা য়ৈথোকখ্রে



ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ১৪ (এজেন্সী): ইন্দিয়া লৈঙাক্লা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ লাকশিন্নবা হোৎনবদা লৈবাক অসিদা চয়োল অহুমগী লোকদাউন থল্লম্বা অদু মখা তানা চয়োল অনি শাংদোকখিবদগী হোক্কি ইন্দিয়ানা এপ্রিল ২৯দগী মখা তানা হৌগনি হায়না শিল্লম্বা নেসনল হোক্কি টুর্নামেন্টশিং মতম কক্তনা য়ৈথোকখ্রে।

হোক্কি ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট মহমদ মুষ্টাক অহমদনা ফোঙদোকখিবদা এপ্রিল ২৯দগী জুলাই ৩ ফাওবা নেসনল হোক্কি টুর্নামেন্টশিংগী ওইবা কেলেন্দর অমা নৌহৌননা শেমখিবা অদু মে ৩ ফাওবা লোকদাউন শাংদোরকপদগী চহীসিদা লৈবা হোক্কিগী টুর্নামেন্ট পুম্নমক মতম কক্তনা য়ৈথোক্লে হায়খি।

মখা তাবা অনৌবা মতম অদু লৈবাক অসিদা হৌজিক লৈরিবা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎকী ফিভম অসিগী অওনবা ফিভম অমা লাক্লবা মতমদা ফোঙদোরক্কনি হায়রি।

নীংশিংবা য়াই, ঙসি ফাওবদা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মীওই ১১,১০২ শোকহনখ্রবনি। মসিগী মনুংদা মীওই ৩৬৬ শীহনখ্রগা মীওই ১,১৮৯না ফহনবা ঙল্লি।

হোক্কি শান্নরোয়শিং, কোচশিং, ওর্গনাইজরশিং, ভাবোকশিং অমদি ওফিসলশিংগী হকশেলগী চেকশিন থৌরাং লৌখৎপনা খ্বাইদগী মরু ওইবা খোঙথাং ওইবনা লৈবাক অসিগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা পাঙথোক্কদবা নেসনল হোক্কি চেম্পিয়নশিপশিং অদু মতম কক্তনা য়ৈথোকখিবনি হায়রি।

হান্না লেপ্পলম্বা টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা ঝরখন্দ ষ্টেটকী রাঞ্চি সিটিদা এপ্রিল ২৯দগী মে ২৯ ফাওবা ১০ শুবা হোক্কি ইন্দিয়া জুনিয়র ৱিমেন নেসনল চেম্পিয়নশিপ ২০২০ (বি দিভিজন) অমসুং মফম অদুমক্তদা মে ৭তগী মে ১৭ ফাওবা পাঙথোক্কনি তৌরম্বা ১০শুবা হোক্কি ইন্দিয়া জুনিয়র ৱিমেন নেসনল চেম্পিয়নশিপ (এ দিভিজন); টামিল নাদুগী চেন্নাইদা মে ১৪দগী মে ২১ ফাওবা পাঙথোক্কনি তৌরম্বা ১০শুবা হোক্কি ইন্দিয়া জুনিয়র মেন নেসনল হোক্কি চেম্পিয়নশিপ (বি দিভিজন) লোয়ননা মফম অদুমক্তদা মে ১৯দগী ৩০ ফাওবা লেপ্পলম্বা কাংলুপ অসিমক্কী এ দিভিজনগী টুর্নামেন্টনি; হরিয়ানাগী হিসারদা মে ৩দগী ১৪ ফাওবা লেপ্পলম্বা ১০শুবা হোক্কি ইন্দিয়া সব জুনিয়র ৱিমেন্স নেসনল (বি দিভিজন), মফম অদুমক্তা মে ১২দগী ২৩ ফাওবা লেপ্পলম্বা এ দিভিজনগী টুর্নামেন্টনি; মণিপুরগী ইম্ফালদা মে ২৮দগী জুন ৪ ফাওবা লেপ্পলম্বা ১০শুবা হোক্কি ইন্দিয়া সব জুনিয়র মেন নেসনল (বি দিভিজন) লোয়ননা মফম অদুমক্তদা জুন ৩দগী ১৩ ফাওবা লেপ্পলম্বা এ দিভিজননি। অদুগা গুৱাহাটিদা জুন ২০দগী জুলাই ৩ ফাওবা লেপ্পলম্বা ১০শুবা হোক্কি ইন্দিয়া সিনিয়র মেন নেসনল (বি দিভিজন)নি।

# এথলেটিক্স ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়ানা সেপ্টেম্বর থাদগী দোমেষ্টিক কম্পিটিসন মখা তানবা হোৎনরি

ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ১৪ (এজেন্সী): এথলেটিক্স ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়া (এ এফ আই)না লৈবাক অসিদা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ অসিগী ফিভম লাকশিল্লবা মতুং সেপ্টেম্বর থাদা হান্না পাঙথোকপা হৌখিবা লৈবাক অসিগী তোঙান-তোঙানবা এথলেটিক্স কম্পিটিসনশিং মখা তানবা শেম শারি।

এ আই এফ এফকী প্রসিদেন্ট এদিল জে সুমারিৱালানা ফোঙদোকখিবদা ফিভম য়েংলগা দোমেষ্টিক কম্পিটিসনশিং অদু চহীসিগী সেপ্টেম্বর-ওক্টোবর থাদা মখা তানা চথবা য়াবগী প্লান তৌরি। অদুগা মথং চহীগীনা মার্চ অমসুং এপ্রিল থাদা পাঙথোক্লবা য়াই হায়রি।

মহাক্না মখা তাখিবদা, টোকিও ওলিম্পিক গেমস চহী অমা য়ৈথোকখ্রবা মরম্না নহা ওইরিবা এথলেট কয়া ক্বালিফাই ওইবগী খুদোংচাবা অমা পীরি। লোয়ননা সিনিয়র এথলেটিকশিংনসু মখোয়না হৌজিক লৈরিবা ফিভম অদু ফগৎহন্দুনা খুদোংচাবা লৌহৌগদবনি হায়খি। মপান লমদা এক্সপোজর কয়া পাঙথোকপগী চহীসিগী ওইনদি হৌজিক লৈরিবা লাইচৎ অসিনা ওইবা য়াররোই। অদুবু মথং চহীদা তাঞ্জা ফংলবদি হোৎনগনি হায়খি।

# এম এ বি এগী এন্যুল জেনরেল বোদি মিতিং য়ৈথোক্লে, রোমোলানা লৈখিদবদা নুংঙাইতবা ফোঙদোরক্লি



ইম্ফাল, এপ্রিল ১৪ (ঐচএনএস): মণিপুর এমেচর বোক্সিং এসোসিএসন (এম এ বি এ)না থা অসিগী ২৬তা পাঙথোক্কনি হায়না তৌরম্বা এন্যুএল জেনরেল বোদি মিতিং কোরোনাভাইরস (কোভিদ-১৯) লায়না লাইচৎ শন্দোরক্তনবা লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা মখা তানা লোকদাউনগী মতম শাংদোকখিবনা মরম ওইরগা য়ৈথোক্লে হায়না প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

অমরোমদা, এম এ বি এগী জয়েন্ট সেক্রেটরী ওইনা থৌ পুরম্বা অমদি বোক্সর শান্নরোয়শিংবু নেসনল অমদি ইন্টির্নেসনল থাক্তা পুখৎনবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌবীরম্বী ৱাই রোমোলানা খঙহৌদনা লৈখিদবদা এসোসিএসন অসিগী মায়কৈদগী নুংঙাইতবা অমদি ইমুং মনুংগী অৱাবদু শরুক য়াবগা লোয়ননা মহাক্কী থৱাইনা মপুগী লৈকোলদা ইংনা চিক্না লৈখিনবসু থৌনিজরি হায়না এম এ বি এগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

# ফুটবোল রেফরিগী শীনফম অসি প্রোফেস্নেল লাইন ওইনা চঙশিনবা য়ারে : কৈল্যানি



ইম্ফাল, এপ্রিল ১৪ (ঐচএনএস): মণিপুরদা লৈরিবা নুপী ফুটবোল রেফরিগী মশিং অসি তপ্না তপ্না হেনগৎলক্লি। নুপাগী টুর্নামেন্টশিংদা তোইনা পার্টিসিপেট তৌহনবা, কো-ওপরেসন পীবিবা মথৌ তাই। নুপী রেফরিদা নত্তনা নুপী ফুটবোল্লর কয়া য়ুম পাল্লবা মতুংদা য়ুমগী মথৌনা হেন্না চীনখিবনা শান্নখিদবা কয়া অমনি। মসি পুম্নমক অসি মায়োক্নবা ঙম্লবদি শোইদনা মাই পাকপা রেফরি অমা হায়বদু ওইবা ঙমগনি। রেফরি শিনফম অসি প্রোফেস্নেল লাইন ওইনা চঙবা য়ারবা শীনফমনি হায়না মণিপুরগী অহানবা ফিফা এসিষ্টেন্ট রেফ্রি চোংথাম কৈল্যানি চনুনা পাউচে অসিদা ফোঙদোরক্লি।

কৈল্যানি, লালাম্বুং মখোঙ তখেল্লম্বম লৈকায়গী লৈখিদ্রবা চোংথাম তোল্লঙৌ মৈতৈ অমদি চোংথাম ওংবী তমুগী মচানুপীনি। মচীন মনাও ৮গী মনুংদা ৫শুবনি। মহাক্না ফোঙদোরকপদা অঙাং ওইরিঙৈদগী ফুটবোল মশান্না অসি পাম্মা শান্নরকখি। কুমজা ১৯৮৬তগী হৌদুনা নিসা ক্লবতা য়াওদুনা শান্নরকখি। মহাক্না য়াম্না থাজবা খল্লক্কনি খনখিবা সিনিয়র ইন্দিয়ন টিম খন্নবগী ট্রায়ল সেলেক্সন অমদা খল্লকখিদবা অদুদগী মহাক মখা তানা শান্ননিংবগী ইথিল ফাওরকখিদবনি। মদুগী মতুং কুমজা ১৯৯৯দা রেফরি ক্লাস থ্রি (প্রোভিন্সেল) ইগজাম থাদুনা রেফরিদা চঙলকপা হৌখি। মহাক্না হায়খিবদা, কুমজা ১৯৯২দা মণিপুর পুলিস দিপার্টমেন্টতা চংলবা মতুং টুর্নামেন্ট কয়া শরুক য়ারকখি। মণিপুর পুলিস ৱিমেন্স ফুটবোল টিমদা শরুক য়াদুনা শান্নরিঙৈ মতমদা অসামদা পাঙথোকখিবা অহানবা ৱিমেন ফেদরেসন কপ ১৯৯২, ইম্ফালদা পাঙথোকখিবা ২শুবা ৱিমেন ফেদরেসন কপ ১৯৯৩দা ৱিন্নর ওইবা ঙমখি।

মখা তানা নেসনলগী থাক্তা পাঙথোকপা টুর্নামেন্ট ২শুবা ৱিমেন্স নেসনল চেম্পিয়নশিপ, ৩শুবা ৱিমেন্স নেসনল চেম্পিয়নশিপ, ৪শুবা ৱিমেন্স নেসনল চেম্পিয়নশিপ হায়রিবা চেম্পিনয়শিপশিংদা ৱিন্নর ওইবা ঙমখি। সিল্লোংদা পাঙথোকখিবা ৭শুবা সিনিয়র নেসনল ৱিমেন্স ১৯৯৯দা রন্নর্সঅপ তাখি। ফুটবোল শান্নরিঙৈ মতমদা থৱাই হকচাং য়াওবা মরম্না মনা কয়া ফংবা ঙমখিবনি।

মহাক্না মখা তানা হায়, কুমজা ২০০০দা ক্লাস থ্রিগী কনফার্মেসন লাক্লবা মতুং ষ্টেটকী টুর্নামেন্ট কয়াদা রেফরিগী থৌদাং লৌবা হৌরকখি। কুমজা ২০০১ ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসনগী মখাদা রেফরি ক্লাস টুগী ইগজাম থাবদা দাইরেক্ট কনফার্ম পীরকখি। মহাক্কী থৱাই য়াওবা অসি উবদা পুনমিন্নরিবা ইমান্নবা/ইমান্নবী কয়াগী মায়কৈদগী মতেং পাঙবীরকখি। নুপাগী টুর্নামেন্ট কয়াদসু রেফরি ওইখি। কুমজা ২০০৩দা অস্ফানা রেফরি ক্লাস ৱান ইগজাম কনফার্মেসন তৌরল্লবা মতুং কুমজা ২০০৪-০৫দা এ আই এফ এফকী মখাদা নেসনল রেফরিগী ইগজাম পাস তৌখি।

কৈল্যানিনা মখা তানা ফোঙদোরকপদা, রেফরি ওইনা থবক তৌরকপা মতমদা খৎনা চৈনবা মচা/মচা থোকপা নত্তনা অচৌবা খৎনা চৈনবা থোকপদি লৈখিদে। অদুবু খ্বাইদগী নুংঙাইবা হায়রগদি কুমজা ২০০৫দা ফিফানা কন্দক্ট তৌবা ফিফা এসিষ্টেন্ট রেফরিগী ইগজাম মায় পাকপা অদুনি। ফিফাগী এসিষ্টেন্ট ওইনা খল্লবা মতুং অহানবা ওইনা জোর্দানদা পাঙথোকখিবা এ এফ সী য়ু-১৯ চেম্পিয়নশিপ ২০০৬তা রেফরি ওইখি। অদুনা পুন্সিগী খ্বাইদগী নুংঙাইবা মীৎকুপ হায়বদু ওইখি হায়না ফোঙদোরক্লি।

ফিফা এসিষ্টেন্ট রেফরি ফংলবা মতুং ইন্টর্নেসনল মেচ ১০ রোম রেফরিগী থৌদাং লৌবা ঙমখি। য়ু এস এদা পাঙথোকপা ই এ এফ এফ ৱিমেন্স ফুটবোল ক্বালিফায়িং রাউন্দ ২০০৭, চাইনাগী চোংক্বুইনদা পাঙথোকখিবা ই এ এফ এফ ৱিমেন্স ফুটবোল চেম্পিয়নশিপ, কোলা লম্পুরদা পাঙথোকখিবা এ এফ সী য়ু-১৯ চেম্পিয়নশিপ ২০০৮, চিলিদা পাঙথোকখিবা ফিফা য়ু-২০ ৱিমেন্স ৱর্ল্ড কপ ২০০৮, জপানদা পাঙথোকখিবা ই এ এফ এফ ফাইনেল রাউন্দ ২০০৯, ফিলিপিন্সতা পাঙথোকখিবা এ এফ সী য়ু-১৬ ৱিমেন্স ফুটবোল চেম্পিয়নশিপ, চাইনাগী গ্বাংজৌদা পাঙথোকপা ১৬শুবা এসিয়ন গেমস ৱিমেন্স ফুটবোল কম্পিটিসন, থাইলেন্দগী বেঙ্কোক্তা পাঙথোকপা এ এফ সী ৱিমেন্স এসিয়ন কপ ২০১০, চাইনিজ টাইপৈদা পাঙথোকখিবা ৱিমেন্স ফুটবোল ওলিম্পিক ক্বালিফায়িং রাউন্দ ২০১১ হায়রিবা টুর্নামেন্টশিংদা মায় পাক্না রেফরিগী থৌদাং লৌবা ঙমখি।

মণিপুরগী অহানবা ফিফা এসিষ্টেন্ট রেফ্রি কল্যানিনা মখা তানা ফোঙদোরকপদা হৌজিক লৈরিবা লমদম অসিগী নুপীগী ফুটবোল্লরশিং অসি শোত্থরক্লি। মসি ঐহাক্কী মোত মতুংইন্না এসোসিএসনগী মায়কৈদগী কৌখৎপীদুনা কোর্স কয়া লৌবিরবদি খরা মখৈগী ফগৎপা ঙমগনি। প্লেয়রশিংগী মমা, মপা, ফেমিলিশিংগা নীংথনা ৱারী শান্নদুনা মমুত তানা খঙহনবা তঙাইফদে।

মখা তানা ফোঙদোরকপদা ফিফা রেফরি অমগা ষ্টেট রেফরি অমগা অশুক্কী মতিক খেন্নে। ফিফা রেফরি অমা ওইনা রুলদা পীরিবশিং অদু নীংথিনা ফোলো তৌদবা য়াদে। ঐহাক্না করি করি শোই শোইদে হায়না খংবরা হংলকপা মতমদা লোইরগনা অশোইবদু পুথোকপা ঙম্লবদি এক্সেপ্ট তৌবী নত্রবদি মতুংগী মেচকা পীরক্তবা ফাওবা য়াওই। ঐখোয়গী মণিপুরদা ভাবোক্কী খৎনবা চৈনবা থোক্তনবা, টিমগী য়েংলগা লো ১৮ শীজিন্নরগা রেফরি অমনা মহাক্কী থৌদাং অদু পাঙথোকই।

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com